অঙাংগী বাইবল
খুদোল তাম্জারী



# নোহা অমসুং ঈশিং-ইচাও

অইবা : Edward Hughes

লাই ꯌꯦꯛꯄ꯭ꯕা : Byron Unger; Lazarus

চুনাহান্নিবা : M. Maillot; Tammy S.

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

ফোংদোকিপবা : Bible for Children
www.M1914.org

©2017 Bible for Children, Inc.
লাইসেন্স: পোত্চাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোকপা য়াই অদুবু য়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই।

নোহা ঈশ্বরবু খুরুম্জবা মী অমা ওইরম্মি। মী অতৈদি অমগা-অমগা নুংশিনরম্দে অমসুং ঈশ্বরগী য়াথং ইল্লম্দে।





নোংমা, ঈশ্বরনা  য়াম্না
থাজাদবা া অমা
হায়রশ্মি।




"ঐ ফওবা তাইবংপাল অসি মাংহল্লাগনি" হায়না ঈশ্বরনা নোহাদা হায়রম্মি।
"নহাক্কি ইমুংখক্তা কনগনি"।

ঈশ্বরনা নোহাদা চেকশন্না
লৈনানাবা হায়রম্মি মদুদি, অচৌবা
ঈশিং-ইচাও অমা লাক্কানি অমসুং
পৃথিবী অসি মদুনা পুমথুম
থুম্লাগানি।



"উগী হিজাও অমা শাও, অচৌবা হিজাও মদুদা নহাক্কি ইমুং-মনুং অমসুং শা-উচেক ময়াম চনবা য়াবা", অসুম্না নোহাদা য়াথং তৌরম্মি।



ঈশ্বরনা নোহাদা মদু চন্নাবা চাপ-চাপ চাবা লমতাকশিং পিবিরম্মি। নোহা মদু শবদা থবক য়াম্না চিল্লম্মি!





নোহানা করিগী
হিজাও অমা
চল্লিবনো
তাবদা

মী
ময়াম্না মাবু
নোক্নাবিরম্মি।
নোহা মদু চন্বা
লেপ্লন্দে।


অদুগা লোয়নানা
মহাক মিয়াম্দা
ঈশ্বরগী
মরমদা
পাও
শন্দোক্তুনা
লৈরম্মি।
কনানাসু
তারম্দে।



নোহানা চাওনা থাজাবা লৈরম্মি।
মামাংদা নোং অমুক্তা
তাখিবা লৈত্রবাসু
নোহা ইশ্বরদা
থাজারম্মি।

হিজাও অদু
দরকার লৈবা পোংশিং
হাপচিন্নানাবা থৌরাং
তৌবা লোইরম্মি।



হৌজিক্তি শাশিং লাক্লে।



ঈশ্বরনা মান্না-মান্নাবা শাগী মাখল তরেত অতোপ্পা অনি অমগা পূরক লম্মি।



অচৌবা উচেকশিং অমসুং অপিকপা,য়াম্না পিকপা শা অমসুং ...



... আংবা শাশিং হিজাওদুদা মশানা চংজারম্মি।



নোহানা শাশিং হাপচিন্বা মতম্দুদা
মীশিংনা মাঙান্দা লাওহংলম্মি
অমসুং ইকায়বা পিরম্মি।




মখোয় ঈশ্বরদা পাপ তৌবা তোকলম্দে। মখোয় হিজাও অদুদা চংগে হায়নাসু হায়রম্দে।

অরোইবদা,



শা–উচেক পুম্নামক চংবা লোইরম্মি। "ঈশ্বরনা নোহাদা হি মনুংদা চংউ হায়না হায়রম্মি"।


"নং অমসুং নংগী ইমুং"।
নোহা, মহাক্কী নুপী, মহাক্কী মচা নুপা অহুম অমসুং মখোয়গী নুপিশিং হি মনুংদা চংলম্মি।



অদুগী মতুংদা ঈশ্বরনা থোং অদু থিংজল্লম্মি!



অদুগী
মতুংদা নোং
তাবা হৌরক্লম্মি।
নুমিত নিফুনি চুপ্পা
নুংথিল নুংদাং খাক্তানা
নোং কননা তদুনা পৃথিবী অসি
ঈশিংনা পুম্থল থল্লম্মি।



ঈশিং
ইচাও অদুনা
খুংগংশিং অমসুং শহরশিং
পুম্থল থল্লম্মি।


নোং
হাংখ্রবা
মতুংদসু
অচৌ–অচৌবা চিংজাওশিং
ঈশিং মনুংদা লৈরম্মি।



শ্বর হোন্বা জিবা খুদিংমক
তুম্না শিরাম্মি।



ঈশিং অসুম
চাওখৎলকপাগা
লোয়ননা, হি অদু
অদুম তাওখৎলম্মি,
মনুংঅদু য়াম্না মমলম্বা
য়াই, অকুৎ-অতোঙ
ওইরমবা য়াই,অমসুং
অকিবাগী মশক
ওইরমবা য়াই।

অদুবু হিজাও
অদুগী মপান্না
নোহাবু ঈচাও
অদুদাগী
কলহৌই।





ঈচাওগী থা মঙা গী মতুংদা, ঈশ্বরনা অশাবা নুংসিং সিংহল্লম্মি।

তপ্পা-তপ্পা, হি অদু আক্লবা
আরারাত কৌবা চিংজাও
অদুগী মতোন্দা পনহল্লম্মি।



নোহা হি মনুংদা নুমিং
নিফুনি অমুক লৈরম্মী ঈশিং
অদু মায়েং তদ্রিফাও।



নোহানা ক্বাক অমা অমসুং খুনু অমা হিগী থোংনাওদগী থাথোক্লক্মি। অকংবা অমসুং অফাবা মফম ফংদবানা মরম ওইদুনা খুনু অদু নোহা অমুক হল্লক্লক্মি।



সহপ্তা অমগী
মতুংদা, নোহানা
অমুক ট্রাই
তৌরম্মি।



খুনু অদু হন্দক্তি
মচিন্দা চোর্কোন
মনা মনৌবা অমা
পুরাগা হল্লক্লম্মি।


মথংগী সহস্তাদি
নোহা পৃথিবী অসি
কংখ্রে হায়বা থংলক্মী
মরম্দী খুনু অদু অমুক
হল্লক্লম্দে।

ঈশ্বরনা নোহাদা হাইরম্মি হৌজিক্তি হি অদুদগী মপান থোকপা য়ারে হায়না।



নোহা অমসুং মহাক্কী ইমুং পুন্না শাশিং অদু হিদাগী লৌথারম্মি।




মতম অদুদা নোহাদু
কয়াদা নুংঙাইবা
ফাওরমগদবা!


মহাক্কা বেদী (পূজা
তৌফম লৈরংগুম্বা)
অমা শেল্লম্মি
অমসুং অসিগুম্বা
অকিবাগী মশক ...


... ওইরবা ঈচাও
অসিদাগী মহাক
অমসুং মহাক্কী
ইমুংবু
কন্বিরকপা ঈশ্বরবু
খুরুমজারম্মি।


ঈশ্বরনা
নোহাদা শক
অমা পিবিরম্মি।
মীওইবগী পাপ্পু
য়ন্নানাবা ঈচাও
অমুক হন্না
থোকহল্লারোই।


ঈশ্বরনা মহাক্কী শক অদু নিংশিংনানাবা
নিংশিং খুদম পিবি।


মহাক্কী শক
অদু
নিংশিংনানাবা
ঐশ্বরনা
চুমথাং
থোকহন্বি।



ঈচাও মতুংদা
নোহা অমসুং মহাক্কী
ইমুংদগী পৃথিবিদা
অনৌবা সংসার
অসি

অমুক হৌরম্মি।

মতম
খরাগী মনুংদা, মহাক্কী
মচা-মশুশিংনা পৃথিবী
অসি পুমথন
থল্লম্মি।



পৃথিবিগী
জাতি খুদিংমক
নোহা অমসুং
মহাক্কী মচাশিংদগী
ওইরক্লম্মি।



নোহা অমসুং ঈশিং-ইচাও

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মৈহৌরোন ৬-১০

“ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।”
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০


লোইজারে

অসিগী বাইবলগী ৱারী অসিনা ঐখোইদা ঐখোইবু শেম্বিবা মতিক লৈবা অমসুং অদোম্না খংবাদা য়াম্না মরু ওইবা মপু লাইনিংথৌ মহাক্কি মরম্দা ঐখোইদা তাকপি ।

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি, অদুবু ঈশ্বরনা নাহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী উসিন ওইনা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চতথি! নহাক্না যীশুবু থাজরাবদি অমসুং নহাক্কি নপাপশিংদু কোক্পীয়ু হায়না মাঙোন্দা হায়জারবদি, মহাক্না সোয়দনা কোকপিগনি! মহাক নংগী পুন্সিদা লাক্কানি অমসুং মহাক্কা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নাবা ফংগনি ।

নঙনা মসি অচুম্বানি হায়না থজারবদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌঃ নুংশীরবা যীশু, ঐ নংবু ঈশ্বরনি থাজাজে, নহাক্না তাইবংপানদা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী পাপকিদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগতপি । ঐগী পুন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী ইপাপসিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পুন্সি হৌজিক ফংজগে অমসুং নহাক্কা লোইনানা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংজাগে । নহাক্কি হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন ।

নুমিং খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ! যোহান ৩:১৬